ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯦꯄ꯭ꯔꯤꯜ ꯱꯶, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯲ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, এপ্রিল ১৬, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২২শুবা মশীং

# মে ৩ ফাওবা মখা তানা শাংদোকখিবা

## শেন্মীৎলোনগী ফীভমদি অমুক হন্না ফগৎহনবা ঙমগনি থাজদে

লোকদাউনগী মতম নুমিৎ ২১ মপূং ফারকপগা মরী লৈননা এপ্রিল ১৪দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাঙখি। মতাং অসিদা প্রাইম মিনষ্টিরগী ৱাখলদা মরু ওইবা ৱাফম অনীখক হঞ্জিন-হঞ্জিন নীংশিংলম্বা য়াই। অহানবা ৱাফমদা ষ্টেট অয়ান্বগী চীফ মিনিষ্টরশিংনা লোকদাউন শাংদোকপীনবা হায়জরকপা অমসুং অনীশুবদনা কোরোনাভাইরসকী কেস মশীং য়ামদবা মফমদা অকক্লনা সেক্টর খরদা অথিংবা কোমথোকপীনবা মায়কৈ কয়াদগী হায়জরকখিবদুনি। নাকল অনীমক্তা অমসু-অমসু কায়দনবা হোৎনবগী মওং অমা প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱারোলদা মমি তাবগুম তৌই। অদুম ওইনমক প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাখলদা মীওই কয়াগী পুন্সি হিংনবগী লন্মী মাঙহনবদা অকায়বা লৈতে, মীওইবগী থৱায় কনবনা মরু ওইবা হেল্লি হায়না লৌবগুম তৌই। নোংমগী খূৎশুমলনা হিংলিবশিং অমদি শূফম-নোম্ফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা মীওই পূম্নমকপু প্রাইম মিনিষ্টর গরিব কল্যান য়োজনা (পি এম জি কে ৱাই) গী মখাদা মতেং পাংবা ঙমগনি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাখলদা চেংনা থাজবগুমসু তৌরি। প্রাইম মিনিষ্টরনা অহানবা টেলিভিজন্দা ৱা ঙাঙবা থোরকপদা ফি অমা য়েৎশিন্দুনা মচিন অমদি মনাতোন খুমজিল্লগা মীয়ামদা ফেস মাস্ক শীজিন্নদবা য়াদে হায়বগী পাউজেল অমা পীখি। লোকদাউননা মরম ওইরগা মীওই কয়া চানীংঙাই-থক্লিংঙাই লৈরক্তবা অমসুং মাইগ্রেন্ট ৱার্কর কয়ানা ময়ূমদগী থাপ্না অৱা-মৈচাক খাঙবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মথৌনা লৈরবা লাম্মী অমগুম মানা-মানা ঙম্বা থাক্তা মথৌ পাঙথোক্লিবা মীপূম খুদিংমক্কী মফমদা ইকায়খুমনৈ। মীপূম খুদিংমক মশা-মশাগী দ্যুটি মশক খঙনা মথৌ পাঙথোক্কদবনি হায়বগী মওংদা পীখিবা প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱারোলদা মীয়ামগী ফংফম থোকপা রাইট মপূং ফানা ফংহনগনি হায়বা ৱাফম ইয়াও য়াওখিদবগুম তৌই। লোকদাউন থমখিবদা মিনিষ্টর নৎত্রগা এম এল এ অমত্তা অৱাবা মায়োক্লরমগনি হায়বা থাজদে। লোকদাউনগী খুদোংচাবা লৌরগা মীয়ামদা মমিংতগী ওইনা তেংবাঙগী পোৎলম খরা য়েন্থোক্লগা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌরগে খনবা এম এল এ/মিনিষ্টর খরসু য়াওরল্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক মীয়ামদা ৱারোল পীখ্রবা মতুং ঙাইহাক লৈরগা মণিপুরগী ওইনসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মীয়ামদা লোকদাউন মপূং ফানা শৌগৎপীনবা আপিল তৌখি। মিদিয়া হাওস পূম্নমক্তা থাদোরকখিবা ভিদিও মেসেজ অমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা চথুরিবা লাঞ্জং মায় পাকহন্নবা মীয়াম্না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী থৌরাং মপূং ফানা শৌগৎপা মথৌ তাই। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগী মতাংদা লৌরক্লিবা ফিরেপ থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ইন্দিয়াদা হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টরনা খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্নবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং মালেমগী লৈবাক অয়াম্বনা থাগৎপা ফোঙদোক্লুরকখ্রবনি। মপান লৈবাক্তা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরীশিংগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ষ্টেট খুদিংমক্তা সিনিয়র আই এ এস ওফিসর অমমম অসাইন তৌদুনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরীশিংগী মতেং পাংনবা থৌরাং লৌখৎলি। মহৈরোয় ২,৭০০কী বেঙ্ক একাউন্টতা লুপা লিশীং ২/২ হাপচিনখ্রে হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। মসিমক্লা মপান্দা পন্দুনা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগী অৱাবা কোকহনবমক ঙমদ্রবসু ফনা য়াম্না মতেং ওইনরগনি খল্লি। অমরোমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লোকদাউন শাংদোকপগী ৱাফম লাউথোকখিবা মতমদা কোভিদ-১৯ শন্দোরক্তবা মফমশিংদা তাঙ্কক নাইনা অথিংবা কোমথোক্লগা কেস মশীং য়ামখৎলকপা মফমশিংদা হেন্না কনবা মখলগী অথিংবা থমগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি। ইন্দিয়াদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী কেস মশীং হেনগৎলকপগা লোয়ননা মী শিবগী চাংসু ৱাংখৎলকপা মরম্না হৌজিক-হোরেল অথিংবা কোমথোরক্কনি হায়বা থাজদে। মতাং অসিদা খন্ননিংঙাই ওইরিবসি লৈঙাক্লা লোকদাউন লাউথোক্তুনা মীপূম খুদিংমক ময়ূম-ময়ূমদগী মপান থোকহন্দনা থম্লগা কদায় ফাওবা মীয়ামগী চান-থক্লবা পোৎলম পীবিদুনা মতেং পাংবীরগে হায়বদুনি। মীয়াম্নসু কদায় ফাওবা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাক্লিবগে হায়বদুসু খন্ননীংঙাই ওই। লৈঙাক্কী লোইশঙদা থবক তৌরিবশিংদি থা ১/২ থবক কাদ্রবসু লুপা ১ ফাওবা ৱাৎতনা তোলোপ ফংখিবা য়াই। নোংমগী খূৎশুমলনা হিংলিবশিং, লল্লোন-ইতিক মচা-মচা তৌজরিবশিং অমসুং লন্নাই কম্পনি নৎত্রগা ফর্মদা থবক তৌরিবশিংদি অৱাবগী মশকনি। ইমপ্লোয়ী অমত্তা থবক লৌথোকপা য়ারোই, তোলোপ ককপসু য়ারোই হায়বা লৈঙাক্কী ৱাফমদা হান্নদগী শেল মাঙদুনা লৈরিবা কম্পনি নৎত্রগা ফর্মগী মপুনা হরাও-হরাও য়ানীংগনি নীংদে। শেল মাঙলবা কম্পনি অমনা ইমপ্লোয়ীশিংদা তোলোপ পীবা ঙমহন্নবা মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীনবগী থৌরাং লৌখৎপা য়াবরা হায়বদুসু খন্থবা মতম ওইরে।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### পান্বীগী কান্নবা লৌমীন্নদুনা হান্নদগী হেন্না ফগৎলবা হকচাং অমা ওইহল্লসি

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

অনাবা হায়বসিমক্তবু কা হেন্না অথুবা (ইমর্জেন্সিগী কেস) নৎত্রগদি য়ূমদা হান্ননা ফষ্ট এইদ পীনবা ঙাক্তনি। খুদম ওইনা হায়রবদা কোকচীক-কোকঙাও, পুকথিনবা, লেংবা, হকচাং শাগৎপা, লোক-লাইহৌ, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎ জিং-জিং লাউদুনা পংলি-পংলি তৌবনচিংবা অমদি লোক খিত্তং খুরে হায়দুনা হোস্পিটালদা হেক্তমক পুগদবনি হায়বগী ৱা লৈতে। অহানবা অনাবগী ত্রিটমেন্ট তৌবদদি 'আয়ুশ' লায়েংমুক কান্নবা লৈতে। আয়ুশ হায়বদি অশাংবা ৱাহৈদা - আয়ুর্ভেদ যোগ নেচরোপেথি এন্দ যুনানি সিধা হোমিয়োপেথি হায়বনি। মসিগী মতাংদা অহানবমক্তদা ঐখোয়না মহত্মা গান্ধীবু নীংশিংবা য়াই। নেচরোপেথিনা লায়েংবা হায়বসি জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধীনা হৌদোক্লম্বা লায়েং পথাপ অমনি। মহাক্কীদি জ্যল চিক্কিচ্ছা (ৱাটর থেরাপি) হায়বসিনি। ঈশিং অঙ্গৎবনা লাইবক্তা নপ্পা। ঈশি অশাবদা মিনট ২০মুক খোঙ তিংবা অসিনচিংবনি। মসিগী হেন্না কূপ্পদুদি মীয়াম্না হেন্না খঙবীরম্লগনি।

মহাত্মজীগী হেক মথংদনা ঐনা ময়ামগী মফমদা নীংশিংজরিবসিনা ৱাংখৈময়ূমগী ইধৌ ইতোন তোনববুনি। মহাক সোইবম লৈকায় ৱাংখৈ খুনৌদা লৈরম্বনি। য়ূম্নাক্লা ৱাংখৈময়ূমনি। লৈখিদবা কুইরে। চহী নিফুমুক ফারম্লগনি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা অনাবা য়েংবনি হায়দুনা সাইকল চিদেকপী অমদা খাউ অচৌবা অমা য়াল্লদুনা কোয়না কোয়না চৎলম্মী। মতমদুদা ডোক্তর য়াম্না তাঙলম্মী। মতমদুদদি ইধৌখোয়বু ডোক্তর হায়নদে কবিরাজ হায়না মিংগৌনৈ। কোংবদগী ইবোচৌবী হায়দুনা পাবুং অমসু লৈরম্মী। লিক্লি মচা মচাদা হানবা অঙৌবা গুলি মরূ মচা মচাদুগী মগুন্দু হৌজিক্তদা খঙলকই। মসি পঞ্জরুরিবগী মরমদি আয়ুশকী লায়েংসি অনৌবা নত্তে হান্নদগী হৌনা চৎনরম্লবনি হায়জনীংবগীনি। মীয়াম্না পূক্লিং চিংশিনবা ৱাৎপা অমদি থাজবা ৱাৎপদগী মাঙলুরবনি। হৌজিক্তি মাঙলুরবা মনি অসিবু খুল্লবনিনা য়াম্না চেকশিন খোইজিন্না থমদুনা মনিগী মঙালদা মাঙলুরবা মনা মশিংশিংদু অমুক ঈশিং চাইবীদুনা হিংগৎহল্লসি হায়জনীংই।

নোংমা পানবা চৈরাওবা হয়েংনি হায়বগী ঙসিগুম্বদা ঐগী পাবুংনা তাকপীখি - ইবেম্মা মনা-মশিংদু ১০৮ খক্তং মশীং শুনবা থিজিল্লু। করিগীনো পাবুং? ঐনা হংখি। চৈরাওবা নুমিত্তা মনা ১০৮দু ঙৌথোংদা হাপ্তুনা চাহৌরবদি চহীদুমা য়েস্মৌনবা হায়বদু লৈররোই। অসুম্না অহলশিংনা হায়রম্বশিংসিসু অরানবদি নত্তে। ঐখোয়না অহলশিংগী ৱা তাগদবনি। ঐখোয়গী ইম্খোল অকোয়বদুদা মখল মান্নদবা মনা-মশিং ১০৮দগী হেন্নদুম ফংখি অদুবু পাবুংনা হায়বদুতমক হেকচিনখি। পোৎ নৎত্রগা পান্বীশিংগী মাগী-মাগী শক্তি অমদি কান্নবা মগুন অমমম লৈজরিবনি। ঐখোয়না খঙদবগী ৱানি। পাউচেদা করিদা ঙাইহাক লৈতনা ইনরক্লিবদুনি। অদুম ওইনা অপিকপা পান্বীদগী হৌরগা খরদং পঞ্জগে - মরোয় নাপাকপী, নাকুপ্পী, ফদিগোম, অৱাফদিগোম, তোক্লিংখোক, শিং, য়াইঙং, তুলসি, এলোবেরা, য়াই থম্নামানবী, লাংথ্রে, লৈপুং খাং, য়াই অঙৌবা, খারম লৈশোক অসিনচিংবা। খরা চাউবা পান্বীদনা - অৱাকেগে, নোংমাংখা, মুকথ্রুবী, গুনমোরোক, চংনিং অঙৌবা, শিং খাংউ, হৈবুং, হৈগ্রু, হৈগ্রেং, কোঙৌয়েন, শংব্রে, উরোক শুম্বন, লেমনগ্রাস হায়রিবা পান্বীশিং অসি তম্পাক অমসুং চীংগী লম অনীমক্তা ফংবা ঙাক্তনি। অসিদসু নত্তে হায়রুদুনা কান্নদে। ঈশিংগী পান্বীদসু ওক হীদাক্লচিংবা য়াম্না লৈখ্রে।

ইশেং শেংনা হায়রবদা হীদাক পান্বী মখল শুনা হৌবা ষ্টেট অমা পুথোকউ হায়রবদি মণিপুর ওইগনি। ঈশ্বরনা ফজবা মওংদা শেন্বীরক্লবা ঐখোয়নি। অদুবু নারোই-য়েক্লোই, তেক-কায়ররোই হায়বদি লৈতে। মৈতৈগী ইপা-ইপুশিংনা থাবিরল্লিবা পান্বীশিংসিদগী চারাশিং মথং-মথং শন্দোকহন্দুনা পান্বীগী কান্নবা লৌমীন্নদুনা হান্নদগী হেন্না ফগৎলবা হকচাং অমা ওইহল্লসি।

*অদোমগী - অয়াম ইবেতোম্বী*

# কোরোনাগী লান লোইরবা মতুংদা...

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

'তাইবঙপানবা অসিদা করিগুম্বদা ধর্ম্ম'না মরায় চায়থরক্তুনা, অরানবা তৌবশিংনা অচুম্বা তৌবশিংবু লাকশিল্লক্লবা মতমদা ধর্ম্মগী য়ূম্ফম অমুক নৌনা থোল্লম্নবা মীচম (সাধু) অমগী শক্লোন লৌদুনা মীরোল খুদিং শায়োল্লক্কনি'... হায়বা ৱাহায় অমা শুখদেব কবি'না ঈশৈ ওইনা ইরম্মী। মপা ইবুংঙো 'বেদ ব্যাস'না ইরম্বা 'মহাভারত' মহাকাব্য, গ্রেট ইপিক অদুগী লানজাউগী তাঙ্কক অদুদা, লানফম ময়ায়দা লান'দুগী অথোইবা লাল্লোয় অর্জ্জুন'না লান শোক্লৌ য়ারক্ত্রবদা, কৃষ্ণনা অর্জ্জুনবু খূৎলায় পায়খৎহন্নবগীদমক, অমম্বদা লম্মুক্লরবা অর্জ্জুন'দা লৌশিংগী মৈরা চূখৎপীখিবা পাউতাকশিংদুদি ইরমখিদে। অহাঙবা লামায় ওইনা থম্লম্মী। মপানা থম্লম্বা অহাঙবা লামায়দু মচানুপা শুখদেব'না ঈশৈ (গীত) ওইনা ইদুনা মেনশিনখি। ঈশৈ চাতরেৎকী চরোংনি। মদুবু ঐখোয়না ভাগবত-গীতা হায়না খঙনরি। হিন্দু লাইনীং চৎপা মীশিংগীদি খ্বাইদগী শেংবা লাইরিক অমনি খন্নে। অদুবু লাইরিক অসিদি অখন্নবা মীওই কাঙলূপ (সেক্ত) অমখক্কী নত্তে। মীওইবা খুন্নাইসিগীনি। ৱারেংসিগী শৈহৌ ওইনা পঞ্জরিবা শৈরেংসি, লাইরিকসিগী মরিশুবা পন্দুপকী তরেৎ অমসুং নিপানশুবা শ্লোক, ঈশৈনি। ঈশৈসিদা পল্লিবা 'ধর্ম্ম' হায়বা ৱাহৈসিদি - হিন্দু/খৃষ্টিয়ন/ইস্লাম/বুদ্ধিষ্ট/জৈন'নচিংবা রিলিজন অদুবু নত্তে। 'ধর্ম্ম' হায়বা ৱাহৈ অসি ঙসিদগী চহী ১৫০০/২০০০ মুক্কী মমাঙদগী শেরান্নবা ৱাহন হন্দুনা শীজিন্নবা হৌরকখিবনি। ধর্ম্ম হায়বা সংস্কৃৎ ৱাহৈ অসিগী ইংরাজি ৱাহন্থোক থিবা তারবদি 'কোসমিক লো' হায়গদবনি 'রিলিজন' নত্তে। হায়নৈদনা - মৈগী ধর্ম্ম'দি নাক-য়েৎ-মথক্তা লাম-লামদুনা চাকপনি - অঙ্গৎববু শাহনবনি, ঈশিংগী ধর্ম্ম'না অৱাংবদই অনেম্বদা চেন্থবনি - অশাববু ঈংহনবনি।

ৱাসি কোইথোকখিদৌরে, শমজিল্লগে। বেদ-সাস্ত্র নৈনগে খন্না ইজরুবা ৱারেং নত্তে। অঙাং ওইরিঙৈদগী, ইন দ নেম ওফ এদ্যুকেসন- লৌশিং পুক্কে হাপ্পীবগী মীংদা ঈথক থোংবশিংনা তাকপীরকই - হৌজিক ঐখোয়না হিংলিবসি কলি যুগ হায়বদুদনি, যুগ অসি খৃষ্ট পোক্ত্রিঙৈ চহী ৩১০২গী মমাঙ, শ্রীকৃষ্ণনা তাইবঙপান থাদোক্তুনা চৎখিবা চহীদুদগী হৌখি। যুগ অসি হৌদ্রিঙৈদা যুগ অহুম হৌখরে - সত্যযুগ, ত্রেতা যুগ অমদি দ্বাপুর যুগ। মথং মনাও ওইনা যুগ অহুম অসি অসুম্না থম্লম্লবসু কনাগুম্বনদি অর্গ্যুমেন্ট (মরৈ) অমা থাঙ্গৎলকপা য়াওই। অহানবা অমসুং খ্বাইদগী ফবা যুগ-অচুম্বা (সত্য) হায়বসি অথোয়বা ধর্ম্ম, লিভিং প্রিন্সিপল ওইরিঙৈ মালেমসিদা মীহাৎ-মীপূন-অনা-অয়েক লৈরমদে, মী খুদিংমক থৌজাল হৈ, অমগা অমগা নুংশিনৈ, কাঙলূপ নাইবা ৱাখল (রিলিজন/ধর্ম্ম) লৈরমদে, কনাগুম্বা অমনা অতোপ্পা অমগী ফত্তবা তৌরক্কনি হায়বই অকিবা লৈরমদে। যুগ অসিগী মথং, অনীশুবা যুগ অদুবু ত্রেতা যুগ কৌই হায়, অহুমশুবা অদুনা দ্বাপুর যুগ। 'ত্রেতা' হায়বদি 'অহুমশুবা' হায়বনি, দ্বাপুর (দু-আ) হায়বনা 'অনীশুবা'। দুআ (দ্বা) পুর যুগপুনা অনীশুবদা থমদনা, 'ত্রেতা' যুগপু অনীশুবা মফমদা থম্লম্লিবা অসিগী মরমদি ঐ খঙদ্রে। কনানা কমদৌনা থোনবনো? অখঙবদি লৈরমগনি।

মখা তানা কুপথজররোই। ইজনীংলুবা ৱারেংসিগী ৱাহৌদোক ওইনা হায়ফেৎ পনগে খল্লুবা, কৃষ্ণনা মতম মতমগী শায়োন ওইনা শকওল্লগা লাক্কনি হায়রম্বা অমদি মহাক্লা হেক থূপখিবদগী হৌখিবা কলি যুগ হায়বদুগী অরোইবা মতম লাক্লমাল্লে - হায়গে খনখিবদুনা শমজিনবা ঙমখিদ্রে। হৈতবা ইতৌদু মপান থোকহনজবনি। তশেংনা হায়গে খঞ্জরুবদি অতৈ নত্তে - মী মরকসিদা ধর্ম্মনা মরায় চায়থরকপা কান, সাধুগুম্বা মীচম ওইনা শকলোৎলগা লাক্কে খনখিবা ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণদু মতমসিগী মীফত্তনা থল্লবা, ন্যুক্লিয়র শক্তি পায়রবা মোদর্ন মেন মরকসিদা মীচম ওইনা লাকপা ঙমদদুনা, শকউদবা মহীক (কোভিদ-১৯) ওইনা অবতার তৌরগা যুগ অসি লোইশিল্লগে খন্না লাক্লবরা হায়বা ৱাখল অদুনি। অচৌবা সেলেসিয়েল ওবজেক্ট অমনা মালেমসিদা থোমজিল্লগা দাইনোসর ময়াম মূৎথৎখিবগুম মীওইবা খুন্নাই মূৎথৎখিগদ্রা হায়বসু, পাক চাউরবা তাইবঙ-ইনুংপুং (য়ুনিভর্স) অসিদা কদায়দা করি থোক্লিবা, লাইট-য়র (মঙালগী চহী অমই খোঙচৎ) কয়াগী অরাপ্পা মফমদা করি থোক্লিবগে হায়বফাও খঙলবা মীওইবা মরক অসিদা করিসু তৌবা ঙম্লক্তদুনা গীতা'দা শক্লম্বা ৱাশক থুগায়দুনা অতোপ্পা গেম-প্লান অমা হোংলকপা! মদুমসু ওইবা য়ারিবনি। ওইনীংবদু ওইরসনু। থিওরি হায়বসিদি থিওরিনি। মোন্দ্রং শান্নবা হায়বসি থিওরি পূম্বই হৌরকফমনি। বোম/তোপ/নোংমৈ মরূ অমা ফাওবা কাপ্নদনা শোক্লবা অহুমশুবা মালেমগী লানজাও অসিনা কলি যুগকী অরোইবা পুংফম ওইরক্কদৌরিবা অনৌবা যুগ অদুগী মিং 'নব-সত্য-যুগ' (অনৌবা-অচুম্বা চক) হায়না থোনবা তাবরা, খোঙচৎ খুদিংমক মকোকতই অমুক হৌই-হিষ্টরি রিপিটস ইটসেল্ফ হায়নবনিনা!

ইনাক খুনবা, চাওখৎপা, মেদিকেল সাইন্স'তা এদভান্স ওইরবা লৈবাক কয়াগী নাপল থুদেক্লম্বা লানসিগী মতুং, 'পোষ্ট-কোভিদ-১৯-এজ' - অনৌবা সত্য যুগ অসিদা হিংগদৌরিবা, কলি যুগতগী হিংহৌবা মখোয়শিংদুগী মরু ওইবা ৱাখল্লোন (বেসিক ফিলোজোফি) অদু করি ওইগদগে? মোন্দ্রং অমদা তাউমিন্ননবগী নুংঙাইবা হীরম অমনি। মন্দিরনুংদা খিল্লিবা থৱায় পান্দবা শক্তমদুগী পুজারি-ব্রাহ্মন, পন্দিট ময়ামদুনা থৱায় মচা অমত্তসু কনখিদে, মশীং য়াম্নবা মাবু নীংজবা ভক্তশিংদুনা কৎখিবা লুপা ক্রোর লিশীং-লীচা-লীপূন কয়াদুদগী মনাইশিংবু কন্নবা, হাঙলবা পুক্তুদা চাক মরূ অমত্তসু থাদবীনবা লুপা অমত্তগী মতেং লান্থোরকখিদে। ঐদি খল্লি- অনৌবা মপোক অসিদদি কনানসু লাইশঙদা পৈশা কৎনররোই। মসজিদকী ইমামনসু, চর্চশিংগী পুরোহিট (প্রিষ্ট) নসু মচা-মনাই অমত্তবু কোরোনাদই কনবা ঙমখিদে। ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন'না মীওইববু কন্নবা পীবা য়াথং কয়াদুবুদি থওইরুদ্রগা, নুংশিরবা মমা-মপা-মপু-মবোক কয়াগী থৱায় লৌখ্র'তুং, তানশিল্লুবা-পৈশিল্লুবা পৈশাশিং ইমুংদগী লংথোক্লক, থোঙ লোনখ্রবা লাইশঙশিংদুই মমাঙদা মপি তানা শোনখিবা লাইশোন-প্রেয়র-দুৱা...তাবীনবা কনা থোক্লকখিবগে? মন্দির-মসজিদ-চর্চতা চৎপা তোক্তুনা ইয়ূম-ইয়ূমদা নায়তোম লৈদুনা তরু-তরু, তনান-তনান লৈবদুনা হিংনবগী অমত্তা ঙায়রবা, খ্বাইদই শাফবা পান্বৈনি - নব সত্য যুগ অসিগী 'অচুম্বা অশেংবা পাউজেল'নি। ইমা-ইপা অনীদি মীৎনা উবা লাই'নিদো হায়বসিগী ৱাহন্থোক খঙবা মহাক্তুনা খ্বাইদই চুম্বা লাইনীং লন্বী চৎপনি। অমেরিকান অমদি য়ুরোপিয়নশিংনা খ্বাইদই মহৈ হৈবনি, খ্বাইদই মকোক লৈবনি খন্নরম্বা ৱাখলদু লাল্লম্লেদনা! কোরোনা-লোকদাউন মনুংদা ময়ূমদা হনবা নংহৌদ্রবা ইন্দিয়াদা ফাইদুনা লৈহৌবা অমেরিকানশিং, পেন্দেমিক অসি লোইদ্রিফাও অমেরিকাদা হলহনবীনু ইন্দিয়াদ'সুম লৈহনবীয়ু হায়রক্লে। অমরোমদা, য়ু কে গভর্ণমেন্ট'না লাউথোকই 'য়ু কেদা লৈবা মীরৈবাক মচাশিং (ইন্দিয়নশিংসু য়াওনা) মাগী মাগী মরমদা হন্ননবা শেম শাউ'। য়ু কে'দা দোক্টর ওইবা ইন্দিয়ন-কোরোনা-ৱারিয়র মশীং তরা হেল্লবনি, লানজঙসিদা মথ্বায় কৎখিবা।

ধর্ম্ম মশক তাক্লবা, পুন্সি মশক খঙনবা কৃষ্ণনা থারকপা 'কোরোনাভাইরস'না ঐখোয়দা ঙসি তম্বীরম্মী - লূবা-নানবা হায়বসিনা পুন্সি অমসুং মহৌশাবু মশক খঙননবা খ্বাইদই চুম্বা লন্বীনি। মহাত্মা গান্ধীনদি কন্না হায়জরম্বনি - 'তরু-তনান লৈবদি ঈশ্বরগী নাক্তা লৈবনি, অচুম্বা হায়বসি ঈশ্বরনি, ঈশ্বর-অল্লাহ অমত্তনি'...। অদুগুম্বা মীদু কলি যুগতা লৈফম লৈতে হায়দুনা হাত্তোকখ্রিবদুনিদনা।

হন্দক্কী লান অসিদা ঐনা খ্বাইদই নুংঙাইজবা, পেঞ্জবদি ... 'সেনিটেসন হায়বসি করিনো খঙদবা মীয়ামসিনা, এট লিষ্ট, হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নবা হৈরকপা' ... অসিনি। কুইররোই, ঈশ্বর মশকসু খঙলক্কনি। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১১২

**উসম ধনঞ্জয়**

**ওক্টোবর ০৭, ২০০৯ :** খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী থৌদোক্লা মরী লৈননা সেপ্টেম্বর ৩০দা আই এফ সী দি অমসুং য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী মিনিষ্টর, এন বিরেনগী লুৱাংশংবমদা লৈবা ময়ূমদা থোমজিন্দুনা গেট নমখায়রুবগা মরী লৈননা পুলিসনা ফাজিনখিবা নুপী মরি ঙসি লম্ফেল পাৎতা লৈবা জুদিসিএল মেজিষ্ট্রেট ফষ্ট ক্লাস, ইম্ফালগী কোর্টতা পুথোকখ্রে। কোর্টনা মখোয়বু বেল পীরবসু বেল বোন্দ পীবা ঙমদবদগী জেলদা অমুক থাজিনখ্রে হায়রি।

কোর্টনা মখোয় মরিবু লুপা লিশীং ১০/১০গী বেল বোন্দগা লোয়ননা এমাউন্ট মান্নবা স্যুরিটি অমমম য়াওনা বেল পীখি। অদুবু মখোয় মরিনা কোর্টকী হুকুম অদুগী মতুংইন্না মতিক চাবা বোন্দ পীবা ঙমদবদগী থা অসিগী ২১ ফাওবা নুমিৎ ১৫নিগী জুদিসিএল কষ্টদিদা রিমান্দ পীখিবনি হায়রি।

ঙসি কোর্টনা জুদিসিএল কষ্টদিদা রিমান্দ পীখ্রবা নুপী মরি অদুদি এম লোইতাংজাও (৪০) লুৱাংশঙবম ময়ায় লৈকায়; এম ফজরৈ (৬১) লুৱাংশঙবম অৱাং লৈকায়; এম লৈমা (৪৬) লুৱাংশঙবম অৱাং লৈকায় অমসুং এন ইনাও (৪০) লুৱাংশঙবম ময়ায় লৈকায়নি।

পনবা য়াবদি, লুৱাংশঙবমদা লৈবা মিনিষ্টর বিরেনগী ময়ূমদা থোমজিনবগা মরী লৈননা থা অসিগী ১গী অয়ূক্তা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসন্না মখোয় মরি ফাগৎখি। মখোয় মরিগী মথক্তা এফ আই আর কেস অমা লৌখত্তুনা জে এম আই সী, ইম্ফালগী কোর্টতা নুমিৎ অদুমক্তদা পুথোরকখি। লোয়ননা কোর্টনা নুমিৎ তরেৎনিগী রিমান্দ পীখিবনি।

**ওক্টোবর ০৭, ২০০৯ :** মীরোনবী য়াওনা মীওই ২ শিরগা ৫না শোকখিবা জুলাই ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ বজার থৌদোক অদুগী মতাংদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না হৌজিক চথুরিবা ইনক্কারি অসি লেপ্নবা মমাঙদা মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা চে থাজিল্লকখ্রবা মতুংদা হন্দকসু চে অমুক থাজিল্লকখ্রে হায়রি।

কম্মিসন্না চথুরিবা ইনক্কারি অসি লেপ্নবা হোম দিপার্টমেন্টনা ইহান হান্না চে ইরকখিবা অদুদা কম্মিসনগী মায়কৈদগীদি থৌদোক অদুগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা শেমখিবা ৱান মেন ইনক্কারি কম্মিসন অদুদগী মখোয়না য়াম্না হানখ্রবনা ইনক্কারি লেপ্লোই হায়খিবনি। হন্দক্কী মতাং অসিদসু কম্মিসন্না খোঙফম হোংলোইদৌরি। অহোয়নদুম, লৈঙাক্কী চেরোল অদুগী মথক্তা কম্মিসন্না প্রোসিদিংস লৌখৎলগনি হায়রি।

**ওক্টোবর ০৮, ২০০৯ :** খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী জুলাই ২৩গী থৌদোক্লা মরী লৈননা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ৱান মেন জুদিসিএল কম্মিসন ওফ ইনক্কারি লীংখৎতুনা চথুরিবা ইনক্কারি অসিগী মতাংদা নাকল অনীগী মরক্তা মুক্লবনা তুংদা অফবা পুরকপা ঙল্লোই হায়না এদভোকেট খাইদেম মনিনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি লোক্লাওবুংদা লৈবা এদভোকেট খাইদেম মনিগী চেম্বরদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা খাইদেম মনিনা হায়খি, মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না চথুরিবা ইনক্কারি অসি মণিপুর লৈঙাক্লা থৌদোক অদুগী মতাংদা রিটায়র্দ জষ্টিস পি জি অগরৱালনা প্রিসাইদ তৌবা ৱান মেন জুদিসিএল কম্মিসন ওফ ইনক্কারি লীংখৎখিবনা এম ঐচ আর সীগী ইনক্কারি লেপকদবনি হায়না খঙহল্লিবা অসি মরম চাদে।

হোম দিপার্টমেন্টনা ইনক্কারি চথবা য়ারোই হায়রিবসি মরম চাদে হায়রদুনা হোম দিপার্টমেন্ট নৎত্রগা দিপার্টমেন্ট অমনা কম্মিসন অসিবু হন্থনা য়েংবা তৌরোইদবনি। কম্মিসন্না হান্না ইনক্কারি চথুরবনিনা মখা তানা অদুমক চথবদা অকায়বা লৈতে। লোয়ননা রিটয়ার্দ জষ্টিশ পি জি অগরৱালনা চথুরিবা ইনক্কারি অসিসু অসুম চথবা য়াই। মসিদা কম্মিসন্নসু ইনক্কারি অসিদা অপনবা পীরোইদবনি। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী থৌদোক অদুগী মতাংদা মরীক চুম্বা পুথোক্লবা হোৎনগদবনি হায়না খাইদেম মনিনা মহাক্কী মোত ফোঙদোকখি।

**ওক্টোবর ০৮, ২০০৯ :** জুলাই ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী থৌদোক অদু থিজিন্নবা মণিপুর লৈঙাক্লা শেমখিবা ৱান মেন জুদিসিএল কম্মিসন ওফ ইনক্কারিদা জবান পীবগী ঙসি অরোইবা পুংজা ফাওবদা কনামত্তনা জবান পীশিল্লকখিদ্রে।

নাকল অমরোমদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না চথুরকপা ইনক্কারি অদুগী প্রোসিদিংস লেপ্নবা মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা অনীরক চে থাদুনা খঙহল্লকখ্রবা মতুং অহুম্লকশুবা ওইনা অমুক খঙহল্লক্লে হায়রি।

মণিপুর লৈঙাক্লা শেম্বা জুদিসিএল কম্মিসন ওফ ইনক্কারিদা ৱাকৎ চেরোল পীশিনবগী ঙসি অরোইবা মতম ফাওবদা কনা অমত্তা ৱাকৎ চেরোল পীশিল্লকখিদ্রবসু মণিপুর পুলিসকী মায়কৈদগী মখোয়গী এফিদেভিদ পীশিনবগী মতম নুমিৎ ১৫নি শাংদোকপীনবা হায়জরকখ্রে। অমরোমদা থৌদোক অদুদা শোকখিবা সুভাচন্দ্র কৌবা অমদি জুদিসিএল ইনক্কারি কম্মিসন অসিগী হয়েংগী হিয়ারিংদা মশানা ষ্টেটমেন্ট পীবা লাক্লবা খঙহল্লক্লে হায়না হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, হিয়ারিংগীদমক রিটয়ার্দ জষ্টিস অগরৱাল হয়েং অয়ূক পুং ৯.৩০দা ইম্ফালদা থুংলরগনি। হয়েং অয়ূক পুং ১১দা চথুগদৌরিবা হিয়ারিং অসিদা থৌদোক অদুদা শোকখিবা সুভাচন্দ্র কৌবা অমদি ষ্টেটমেন্ট পীনবা হায়রম্বা লৈরে।

পাউ অমদা, হয়েংগী হিয়ারিং অসিদা জবান পীরনবা লৈখিদ্রবা সঞ্জিৎকী ইমুংদা সমোন তৌবগী চে পুলিসনা থিনবা চৎলুবদা লৌহৌ য়াদ্রে হায়রি। দি জি পি ৱাই জয়কুমার, এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট, এল কাইলুন অমসুং সিটি ও সী ৱাই মুনাল অহুম্না পূন্না থারকপা এফিদেভিদ অমা ফংলে। মদুদা পুলিসকী মায়কৈদগী এফিদেভিদ পীশিনবগী মতম নুমিৎ ১৫ শাংদোকপীনবা হায়রকখি হায়না হায়রি।

নাকল অমরোমদা, মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী ওফিসতগী ফংবা পাউ অমদা, অহুম্লকশুবা ওইনা হোম দিপার্টমেন্টনা কম্মিসন অসিগী ইনক্কারি লেপ্নবা খঙহল্লক্লে হায়রি। মসিগী মতাংদা কম্মিসনগী মেম্বর লেফটিনেন্ট কর্নেল (রিটয়ার্দ) আর কে রাজেন্দ্রনা 'ঈরোই লৈদ্রিঙৈদা হৌদোং হাৎলি' হায়বা থৌদৌনি হায়রদুনা লৈঙাক্লা হন্না হন্না খঙহল্লবসু কম্মিসন্না য়াগদবা নত্তে। অচুম্বা লংলা লংজিন পূম্বা মীয়ামদা খঙহল্লমখিগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

নোংমৈ কাপ্পদা শোক্লবশিংদা লৈঙাক্লা ইন্টরিম রিলিফ পীগদবদু পীবিদ্রে। মদুগী মহুৎ ইনক্কারি মুন্নদুনা লৈরে হায়না মহাক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। পুলিসপু কম্মিসন্দা জবান পীনবা কৌবদদি লাক্ত্রুগা, জুদিসিএল ইনক্কারিগীদমক্তদি ভিক্তিম ফেমিলিশিংদা জবান পীরনবা সমোন থাবা চৎলি হায়নসু মহাক্লা চার্জ তৌখি।

পনবা য়াবদি, কম্মিসন্না এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী কম্মান্দো ও সী ইন চাজবু ৱারেন্ট ওফ এরেষ্ট থাদুনা জবান পীনবা সমোন তৌবদু হয়েংনি।

**ওক্টোবর ০৯, ২০০৯ :** জুলাই ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ থৌদোক্কী মতাংদা লৈঙাক্লা পাঙথোক্লিবা জুদিসিএল ইনক্কারি অদু থাজদে হায়না চুংখাম সঞ্জিৎ মীশিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীনা মখোয়গী ৱাকৎ চেরোল অমা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্দা ঙসি পীশিল্লকখ্রে।

জুলাই ২৩দা লৈখিদ্রবা চুংখাম সঞ্জিৎকী মীশি অদুগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীগী কনভেনর টি ঐচ অনিতানা খূৎয়েক পীবা ৱাকৎ চেরোল অমা ঙসি মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্দা পীশিল্লকখ্রে হায়না কম্মিসন অসিদগী ফংবা পাউ অমনা ফোঙদোক্লি। ৱাকৎ চেরোল অদুদা, খ্বাইরম্বন্দ থৌদোক্কী মতাংদা লৈঙাক্লা জুদিসিএল ইনক্কারি তৌগনি হায়রিবা অদু থাজদে। মখোয়না জুদিসিএল ইনক্কারি তৌবিয়ু হায়রম্বদি টেহলকাগী ফোটোশিং পুথোক্ত্রিঙৈদনি হায়না ফোঙদোকই হায়রি।

মতম চানা কম্মিসন্দা ৱাকৎপা ঙমখিদবদু জে এ সীগী মীওইশিং মরুওইনা কনভেনর অমদি কো কনভেনরশিং পুলিস পর্সনেলশিংনা ফানবা হোৎনবদগীনি হায়নসু ফোঙদোকই হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর লৈঙাক্লা কম্মিসনগী প্রোসিদিংস পূম্বা লেপ্নবা অহুম্লকশুবা ওইনা খঙহল্লকখিবদু কম্মিসনগী ঙসিগী প্রোসিদিংসনা রিজেক্ট তৌরে হায়না মেম্বর আর কে রাজেন্দ্রনা ফোঙদোরক্লি।

কম্মিসন অসিনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী পুলিস ওফিসর অনী জবান পীরদবদগী মতাংদা ৱারেন্ট ওফ এরেষ্ট ইস্যু তৌনবা খঙহনখিবা অদু কম্মিসনগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি ৱাই রামেসচন্দ্রনা থারমদ্রে হায়না ফোঙদোক্লদুনা মথৌদা থৌশাদবগীদমক দেপ্যুটি সেক্রেটরিবু এক্সপ্লেনেসন কোল তৌরগনি হায়নসু রাজেন্দ্রনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিস ওফিসর অনীনা কম্মিসনগী হিয়ারিং লৈবা থা অসিগী ২১দা লাকহন্নবা দি জি পিদা ৱারেন্ট ওফ এরেষ্ট নৌনা ইস্যু তৌরগনি হায়রি। পুলিস ওফিসর অনীদা মমাঙদা সমোন থাবসু লৈখ্রবনি।

কম্মিসনগী থবক থিন্থহন্নবা লৈঙাক্লা হন্না হন্না হোৎনরক্লি হায়রদুনা মসিগী মতাংদা করি এক্সন লৌখৎপা য়াবগে হায়বদু দিল্লিদা চৎকদৌরিবা মহাক্কী খোঙচৎতা অখঙ অহৈশিংগসু তানরক্কনি হায়রি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।